**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙহামপাৎতা লৈবাক ষ্টেট ওর্কিদেরিয়মদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং হৈ পান্বী কয়াসু থাখ্রে।

২) কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা স্কুল মরিদা আর.ও ৱাটর প্লান্ট হৌদোকখ্রে।

৩) অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা মতম শাংনা পাউ পারম্বা মাইবম বিনোই ঙসি মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা থা অসিগী ২২ দা সাউদি অরাবিয়াদা চৎলগনি।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অনৌবা মাইয়োন অমদা চংশিল্লক্লি।

------

গর্ভনর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙহামপাৎতা লৈবাক ষ্টেট ওর্কিদেরিয়মদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং হৈ পান্বী কয়াসু থাখ্রে। মহাকপু প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়

অমসুং বিভাগ অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা তরামা ওকখি। রাজ্যপালনা ফোরেষ্ট বিভাগনা পুথোকপা ফিলম ওর্কিদস ওফ মণিপুরসু য়েংখি। বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবুসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রঞ্জন (এল)ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা ঙসি ভারত পেট্রোল্লিয়ম কোর্পোরেসন লিমিতেদকী কোর্পোরেট রেস্পোন্সিবিলিতি স্কিমগী মখাদা ইম্ফালদা লৈবা স্কুল মরিদা সোলর রিভরস ওসমোসিস (আর.ও) ৱাটর প্লান্ট হৌদোকখ্রে।

তম্ফাসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল, আনন্দ একাদমি হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱাংখৈ হাইস্কুলদা সোলর আর.ও ৱাটর প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- ঈশিং হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা য়ামা মরুওইবা অমনি হায়বসি খঙহন্নবগী পান্দমদা অমসুং মহৈরোইশিংদা অফবা ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা আর.ও. ৱাটর প্লান্ট অসি খুৎশিন্নবনি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিংদা অফবা ঈশিং ফংহন্দুনা অফবা হকচাং অমসুং ৱাখল্লোন পুরক্কুনা অফবা নাগরিক অমমম ওইহনবা ঙম্লক্কনি।

এমটিয়ু(এল)ঃ নাক এসেসমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি- ওজাশিং অমদি অতৈ ষ্টাফশিংদা নাক এসেসমেন্ট অমদি এক্রিদিতেসনগী মতাংদা হেন্না কুপা খঙহনবা অসিনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহনা নাক এসেসমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি। দি.এম. কলেজ ওফ টিচর ইজ্কেসনগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার ৱাহেংবম জোয়ত্রিমোই অমদি এন.জি. কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার থিয়াম রোকিন সিংহনা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী পিনজাং খুলদা লৈবা ভিয়ানে ফ্রেন্দসিপ স্‌লদা লাই য়েকপা অমদি পোষ্টর শেম্বগী চাংদমবা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ৪৮ না শরুক য়াখি হায়রি।

ওবিট (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা মতম শাংনা নিউজ রিদর কম ত্রান্সলেটর (এন.আর.টি) ওইনা থবক তৌরম্বা মাইবম বিনোই ঙসি মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকাইদগীনি অমদি মশাগী চহি ৫৭ শুখ্রে। ইং কুমজা ১৯৬৭ দা পোকখিবা মাইবম বিনোইনা অকাশবানি ইম্ফালদা ১৯৯৫ দা থবক চংলকখি । লৈখিদ্রবগী লোয়নবী অমসুং মচা নুপী অমা, মচা নুপা অমা লৈহৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগী পাউ পাবা অমা ওইনা লৈরম্বতা নত্তনা ঈ-পাউগা মরী লৈনবা থৌরমশিং- মতমগী ৱাফম, দিষ্ট্রিক্ট নিউজলেটর অমসুং চায়োলগী পাউগী শক্তমনচিংবা থৌরম কয়াদা মহাকা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। মহাকা মতম শাংনা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা দেস্ক এদিটরগী থৌসু পুরম্মী। কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবর ৭ কী অয়ুক পুং ৭ মখায়গী মণিপুরী পাউদা মহাকা দেস্ক এদিটর অমা ওইনা নুমিৎতুনা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং পাথোকখি।

মাইবম বিনোইনা লৈখিদবদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিতকী ওফিসার অমসুং ষ্টাফশিংনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম অকাশবানি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমদা রিজনেল নিউজ য়ুনিট অসিগী হেদ অমসুং এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা হায়- মাইবম বিনোইনা নিউজ য়ুনিত অসিদা থবক তৌরিঙৈ মতমদা লৌরম্বা থৌদাংশিং থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। মহাকা লৈখিদবা অসি নিউজ য়ুনিত অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা মাংজবা অমনি।

লৈখিদ্রবা মাইবম বিনোইনা মতম শাংনা লোয়নদুনা থবক তৌমিন্নরকখিবা

অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটকী সেনিয়র দেস্ক এদিটর হঞ্জবম প্রিয়োকুমার শর্মানা মহাকা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা হান্না থবক তৌরম্বা অমসুং তৌরিবা মীওইশিংগী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা এ.আই.আর নিউজ এলুমনস এন্দ ষ্টাফনসু মহাকা লৈখিদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিকা লৈরুবা ওইরসনু।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ ইকো নেটৱার্ক মণিপুর অমদি ইমা পেপর বেগ অনিনা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমিগী ওইবা চেগী খাউ শাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। হৈরোক পার্ট থ্রিদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অনিগী মীওই ২২ না শরুক য়াখি। মণিপুর সরকারনা ৱান ত্বেন্তি মাইক্রোনগী মখাদা লৈবা প্লাষ্টিকশিং শিজিন্নবা থিংদুনা লাকপা অদু হৌখিবা এপ্রিল ১৫ দগী মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ অমদি মহুদনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা রাজ্য অসিগী মফমশিংদা হায়রিবা প্লাষ্টিক মখল অসি শিজিন্নবা থিংবগী হেন্না কনশিনবা ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল আইকোন এৱার্দ ২০২৫ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী মীওই ৬ য়াওরক্লে। সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা ত্রাইকোন ফোর ৱার্ল্ড ফাউন্দেসন্না মালেমগী থাক্তা মনা অসি পীদুনা লাকপনি। মনা অসি নেপালগী কাঠমন্দুদা মে ১২ দা পাঙথোক্কদবা ত্রাইকোন ফোর ৱার্ল্ড ফাউন্দেসন ইন্তরনেসনেল কনফরেন্সতা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

মণিপুরদগী মনা ফংলগদবশিং অদুদি- লাইময়ুম সুবারানি দেবী, ক্ষেত্রিময়ুম লাইবা মৈতৈ, থৌনাউজম রোমেন সিংহ, খাইদেম কলাচান্দ সিংহ,

ৱাংখৈরাকপম শ্রীমান সিংহ্ অমদি ককচিংতাবম শুমাতি দেবীনি।

সিপিআই (এল)ঃ থাঙ্গ লোকেল সি.পি.আইগী ৪৩ শুবা মীফম ঙসি থাঙ্গ মোইরাং খুনৌ মৈরা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.পি.আইগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেতরি এল. সোতিন কুমারনা হায়- অৱাং নোংপোক্কী খ্বাইদগী চাউবা থুমহি চেন্দবা পাৎ ওইরিবা লোক্তাক পাৎ অসি লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্টনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে। পাৎ অসিদা তাংদুনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংদা প্রোজেক্ট অসিনা মরম ওইরগা অকায়বা কয়া পীরিবা অসি সি.পি.আইনা তরাইনা লৌদে। হান্নগুমা পাৎ অসি নিংথিনা থমনবা অথুবা মতমদা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

ৱাকৎ (এল)ঃ নম্বোল ম্যুনিসিপাল এক্স-কাউন্সিল্লরস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি দিলিমিতেসনগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা দিলিমিতেসন তৌবা তারবদি ইং ২০০১ গী সেন্সস রিপোর্টকী মতুংইন্না তৌগদবনি হায়বা দাবী তকশিল্লি।

কাদা (এল)ঃ কোলিজন এগেনষ্ট ড্রগস আলকোহোল (কাদা)না শিন্দুনা ঙসি একাদমিক এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাংদা লৈবা প্রজা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। ময়াই কাবা নিশানা মহৈরোই খুনাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কাদাগী সেক্রেটরি জেনেরেল টি. গিতচন্দ্র মৈতৈনা হায়- মহৈরোইশিংনা নিশা হায়বসি ফত্তে খঙলবনিনা কৈদৌনুংদা মসিগী মহাউ তংলোইদবনি। মীওইবা খুনাইদা ময়াই কাবা নিশানা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরে। মসিনা ইমুং মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোহকনবতা নত্তনা খুনাইগী ওইনসু অচৌবা শিংনবা অমা ওইরে।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা থা অসিগী ২২ দা সাউদি অরাবিয়াদা চৎলগনি। সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মুহমদ বিন সলমাননা বাতর্ণ তৌরকপদগী প্রধান মন্ত্রি মফম অদুদা চৎকদবনি।

মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-২০১৬ অমসুং ১৯ দা লৈবাক অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চৎলুরবা তুংদা হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা অহুমশুবা খোঙচৎ ওইরগনি। ভারত অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা মরুপ মপাং ওইবগী অচেৎপা মরি থল্লি। লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা লমশিং-রাজনিতি, ঙাকশেল, ললোন ইতিক, হকশেল, টেকোলোজি, ইনর্জি, শিক্ষানচিংবদা অচেৎপা মরি থল্লি।

রাজনাথঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অনৌবা মাইয়োন অমদা চংশিল্লক্লি। লখনৌদা সংসদখেল মহাকুম্ভ হৌদোক্লদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়-কেন্দ্র সরকার অমসুং উট্টর প্রদেশ সরকারনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎমিন্নরি। থৌরাং অসিগী মখাদা অপিকপা খুঙ্গংশিংদগী নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মখোয় মখোয়গী তোপ তোপ্পা হৈ শিংবশিং অদু উখোকপা ঙল্লি। ২০৩৬ তা পাঙথোক্কদবা ওলেম্পিক গেমস গুজরাথতা পাঙথোকপা ঙমবা অকনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মালেমগী ওইবা গেমস কয়াসু লৈবাক অসিদা পাঙথোকবা হোৎনরি।

শাহঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-সরকার অসিনা হকশেলগী লমদা লৈবাক অসিগী ওইনা অফবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। নিউ দেল্লিদা ৱার্ল্ড লিভর ডেগা মরি লৈননা পাঙথোকপা হেলথি লিভর হেলথি ইন্দিয়া থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা হকশেলগী লমদা হৌখিবা চহী ১১ অসিদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। ২০১৪ দা হকশেলগী বদজেট অসি লূপা কোতি লিশিং ৩৭ ওইরম্বদগী হৌজিক লূপা কোতি লাখ ১ লিশিং ২৭ ওইরে। শ্রী

শাহ্না হায়-২০১৪ দা এমস ৭ খক্তমক লৈরম্বনি, হৌজিক্তী লৈবাক অসিদা এমস ২৩ শুরে। মেদিকেল কোলেজ ৩৮৭ দগী ৭৮০ দা হেনগৎলে।

লিভর ফগৎহন্নবগী মরুওইবশিং পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা, মপুং ফানা তুম্বা অমসুং হকচাং শাজেল তৌবনা হকচাং ফবা মীওই অমা ওইহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়-নহাশিংনা নোংমদা পুং ২ কাইথোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবীয়ু। নোংমদা পুং ৬ শুকশোই শোইদনা তুম্বীয়ু, মসিনা মাং লোমদা চংশিনবা লৈবাক অমা শেমগৎপদা মতেং পাংগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন ৱাংগোইনা শিন্দুনা ৱাংগোই লোংজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা চত্থরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিক কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাবগাই কেন্দ্রনা ৱাংগোই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৬-১১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স অন্দর ত্বেন্তি থ্রি ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দ ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৮৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ১৯ মখাগী নুপাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা- কে.এ.এস.সি খুমিদোকনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু ৱিকেট ৭ তা, এস.এস.সি পোরোমপাৎনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু ৱিকেট ৮ দা, আর.সি.এ লিলোংনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্টি থ্রিবু রন ৯৫ দা, টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্‌ পার্ট টুনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু ৱিকেট ৱিকেট ৪ দা অমদি অক্সদো খাঙবোকনা রুল মৈত্রমবু রন ২৩১ দা থোইখ্রে।

স্কৱাস ঃ স্কৱাস মশান্নদা ভারতকী বির সোত্রানি অমদি অনাহৎ সিংহ মালেসিয়াগী ক্বালালম্পুরদা চথরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ ক্বালিফায়িংগী ফাইনেল চংখ্রে। সোত্রানিনা হোং কোংগী মহাক্কী লম্ববু সেট ৩-১ মায়থিবা পীখিবনি। নুপীগী কাংলুপ্তা চহি ১৭ খক্তা ঙাইরিবী অনাহৎনা হোং কোংগী মহাক্কী লম্ববু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

জেল্লিনঃ সাউদি অরাবিয়াগা দামমদা চথরিবা চহি ১৮ মখাগী এসিয়ান এঠলেটিক চেম্পিয়নসিপকী নুপাগী জেল্লিন থ্রোদা ভারতকী হিমানসু জখরনা সনাগী তকমান লৌদুনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা সনাগী তকমান ফংবা অহানবা শান্নরোই ওইরে।

------